ইখূৎতা থৱায় লৈরিঙৈ

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

চেকশিনবা য়াবা চেকশিন্না লৈদুনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোকহৌবনা খ্বাইদগী অফবা খোঙথাং ওইগনি, মরু ওইনা ঐখোয় ইরমদমগী লায়েংশঙ য়ামদবা, লায়েংশঙদা লৈরিবা খূৎশু খূৎলায় ৱাৎপগী, ফমুং মশীং ৱাৎপগী, হোস্পিটালদা মীং চনবা ফংদবগী, ওক্সিজেন ফংদবগী, কোভিদ ভেক্সিন লৈতবগী, শেল পায়দবগী, লোকদাউননা মরম ওইদুনা থবক শূবা য়াদবগী, শেল তানবা য়াদবগী অমদি অতৈ খুদোং চাদবা কয়া অমা লৈরিবা অসিদা য়েংলুরগা। করিগুম্বা চেকশিনহৌদবদগী অনীশুবা লাইচৎ অসিনা নাররক্লবদি হোস্পিটালদা মীং চন্দুনা মফম অমা ফংগনি হায়না খনবদি লানগনি হৌজিক হৌজিক ফাওবা ফংদনা লৈরিঙৈ ফীভমসিদা। মীং চনবা ফংল ফাওবদা ওক্সিজেন অমুক ফংদ্রদি করিবু কান্নগদৌরিবনো হোস্পিটালদা লৈদুনা। হোস্পিটালদা চৎপা হায়বসিমক্তবু পুন্সি কনশি হায়দুনা চৎনরিবনি। অদুবু হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগুম নুংতিগী লাইচৎ অসিনা মীওই ৬০০ হেন্না নাহল্লিবা অমদি শিবসু নোংমদা ১৯/২০গী মথক্তা শিহল্লক্লিবা ফীভম অসিদা হোস্পিটালদা মীং চনবা ফংলবা ফাওবদা লায়েংদুনা, নাবা ফদুনা য়ূমদা অমুক হল্লকপা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোক্কনি হায়না থমজগে ইরৈচাশিং।

ফীভম অসিদা ঐখোয় ইশা ইশানা ঙমজবী হোৎনদুনা চেকশিন্না লৈবা হায়বসি য়াম্না মথৌ তারে। চেকশিনহৌদবদগী নৎত্রগা করিগুম্বা লাইবক থীবদগী লাইচৎ অসিনা নাররক্লবদি হোস্পিটালদা লৈদুনা অমুক ফরক্কনি হায়বগী ৱাখলদি থাদোকপীয়ু, করিগী ঐখোয়গী হোস্পিটালশিংদা ফমুং মশীং শুনা, মতিক চানা লৈত্রি। ফমুং মশীং শুহল্লে হায়নসু লৌরসি লৈকায়দা কম্ম্যনিতি হোলনচিংবদা শেমগৎলিবা থৌরাং অসি হাপচিন্দুনা। অদুবু লুরিবদি ফমুং ফংলগা অতৈ পোৎলমশিং, মরু ওইনা ওক্সিজেন অমদি কাপকদবা হীদাকশিং ফংদ্রবদি কমদৌবা। হৌজিক ইন্দিয়াদা শিরিবসি অয়াম্বনা ওক্সিজেন ফংদবদগী শিবনা অয়াম্বনি।

হৌজিক হৌজিক, ঙসি ঙসি অসুক চেকশিন্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্লা অমদি মীচম মীয়াম্না টাইৱান লৈঙাক্কী অমদি ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী চৎন-কাঙলোন ইন্না ইন্না টাইৱান্দসু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসি কন্না শন্দারক্লি। ঙসি চয়োল অমা ফাওবসিদা। থা অসিগী ১২দগী হৌরগা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা নোংমদা মীওই ৬, ২৯, ১৮০, ৩৩৩ অমদি ২৪৫ হায়না লাইচৎ অসি কন্না শন্দোরক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মহৈশঙ খুদিংমক থোঙ লোনখ্রে। অদুমক ওইদুনসু মহৈরোয়শিংদি ওনলাইন ক্লাস তৌদুনা মহৈ তম্বদি লেপ্তে, পিল্লিবা কিন্দরগর্টেন অমদি ইলিমেন্টরি স্কুল তন্নিবা অঙাংশিং নত্তনা। ঐখোয় য়ুনিভর্সিটিসু থা অসিগী ১৭, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌদুনা ঐহাকসু গুগল মীট এপস শীজিন্নদুনা ওনলাইন ক্লাস লৌরি।

অসুম্না চহী অমা খরা হেন্না অহানবা কোভিদ-১৯ লাইচৎনা নাহন্দুনা মীওই ৭ খক শিখিবগী মশীংসি চহী অমা হেন্না লৈরকপনি। অদুবু অনীশুবা কোভিদ লাইচৎ অসি লাকপদগী শিখিবা মীওইগী মশীং ১৪ য়ৌরে, ঙরাং অনী শিখিবগা। মতৌ অসুম্না টাইৱান্দা লাইচৎ অসিনা নাহনবগী অপূনবা মশীং অসি মীওই ২,২৬০ কনফর্ম ওইরে অদুগা ফখিবনা ১৪ শুখ্রে, ঙরাং অনী শিখিবদুগা। ফগৎখিবনা মীওই ১,১২৭ শুখ্রে। লেমহৌরিবা মীওইশিং অদুনা লায়েং চথরি। শোয়দনা ফরক্কনি হায়না থাজে। ফীভম অসি য়ৌরকপনা খুদক্তা লৈঙাক্লা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা টাইৱানগী মীয়াম্না লৈঙাক্লা থম্লকপা চৎন-কাঙলোনশিং মশা মশানা ৱাখল তানা, হায়নবা লৈতনা ইন্দুনা চৎনরি।

অনীশুবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি য়াম্না কন্না শন্দোরকপনা জিম্নচিংবা স্পোর্টস শান্নফমসু থোঙ লোল্লে হন্দক্তি। মমাঙগী অহানবা লাকপদদি থোঙ লোনখিদে ঐহাক্লা কিদুনা চৎখিদবনি। য়ূমদা মী কোয়রকপসু মীওই ৪দগী হেন্না লাকপা য়াদ্রে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি বর্থদে অমদি অতৈ পার্টিনচিংবা য়ূমদা তৌদনবনি। লোয়নন্না কোভিদ লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা উপ্লিবা মাস্ক অসি কনাগুম্বনা টেক্সি, বস, অন্দরগ্রাউন্দ ত্রেন, ত্রেন অমদি অতৈ মীয়ামগী ওইবা মফমশিংদা উপ্তুবা থেংনরবদি মীশক অদু লৈঙাক্লা লুপা লিশীং ৮দগীনা লিশীং ৪০ ফাওবা ফাইন লৌগনি হায়না অকনবা ৱারেপ লাউথোকখ্রে। মসিনসু লোইদ্রি। অদুগা কনাগুম্বা মীওইশিংনা লৈঙাক্কী য়াথং থুগাইদুনা করিগুম্বা মীওই ১০দগী হেন্না তিনবা থৌরম পাঙথোক্লম্বা থেংনরবদি লুপা লাখ অমগা লিশীং ৫৮দগীনা লাখ তরেৎ লিশীং ৮৬ ফাইন তৌগনি। শেনফমসি পীবা লাক্তবগা য়াবজাৎ নত্তে। কনা অমত্তনা নাম্থোকপা ঙমদে, মিনিষ্টর ওইগেরা, মীচম ওইগেরা, চপ মান্নে। খুদম অমখক থমজগে। টাইপৈদা লৈবা অনীশুবা লাইচৎ অসিনা নারবা নুপা অমনা মহাক্কী লাইচৎ অসি পকখ্রবা মচানুপী টাইৱান্দা লৈতে হায়না অরানবা ঙাঙলুবগী লুপা লাখ ৮ ফাইন থিহল্লে লৈঙাক্লা হন্দক্তা। লাইচৎ অসিনা নারবা মীওইশিংবু খোঙ্গুল লীবা ঙম্নবা হায়দুনা ত্রেকিং সিষ্টমসু থমখ্রবনি। খোঙ্গুল লীবা লায়নবা হায়দুনা হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না রেষ্টুরেন্টস, দিপার্টমেন্ট ষ্টোরস, হোস্পিটালস, সুপরমার্কেটনচিংবদা চৎপদা, পোৎ চৈ লৈবনচিংবা থবক তৌবদা ইশা ইশাগী আইদেন্টিটি কার্দ নৎত্রগা মোবাইল নম্বর পীগদবনি।

অনীশুবা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা হৌজিক্কী ওইনা টাইৱান লৈঙাক্লা ভেক্সিন লৈগনি হায়দুনা খূৎয়েক পীখ্রবা কম্পেনিশিংদি – Moderna vaccine 5.05 million dose, AstraZeneca vaccine 10 million dose অমদি অতৈ মমিং পন্দবা ভেক্সিন ৪.৭৬ মিলিয়ননি। মীওই মিলিয়ন ২৪মুক লৈবা টাইৱান্দা পূন্না ১৯.৮১ মিলিয়ন দোজ লৈবা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী লৈবগুম্বনি কাপ্পা য়াদবা নৌরিবা অঙাংশিং খাইদোকখ্রগা। লোয়ননা করিগুম্বা অনীশুবা লাইচৎ অসিনা চৎলিবা চয়োল অসিদা নোংমদা মীওই ১০০ হেন্না নুংতিগী শন্দোরক্লবদি টাইৱান্দা লোকদাউন তৌগনি হায়বগী ৱারমসু টাইৱান লৈঙাক্লা লৌখ্রে।

লোইশিল্লকপদা, টাইৱান্দা তৌরিবা, পীরিবা খুদিংমক ইরমদম কংলৈপাক্লা তৌবা, ইনবা ঙল্লোই ঐখোয়না শেল পায়দবনা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর, খূৎশু খূৎলায় অমদি অতৈ পোৎলম কয়া লৈতবনা। ফীভম অসি খঙনা ঐখোয় ইশা ইশানা ৱাখল তানা, লৈঙাক্লা থম্লিবা চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা চৎপীবা, ফীভমনা য়াদবদগী চথোকপদা, অতোপ্পগা উনবদা মাস্ক উপ্পা কাউবীদবা, সোসল দিষ্টেন্সিং থম্বীবা, হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা শীজিন্নদুনা খূৎ-শা নান্না থম্বীবা, চাং নাইনা শাজেল তৌদুনা ইম্ম্যুন সিষ্টম ৱাংনা থম্বীবা, অচম্বা চিঙাক চাবীবা, মনা-মশিং মরাং কায়না চাবীবা, লোয়ননা য়ারিবমখৈ পব্লিক ত্রান্সপোর্ট শীজিন্নবীদবা, মীয়াম লক্তা তিনবীরুদবা অমদি অঙম্বা থাক্তা চেকশিন্না লৈবীবা অসিনি। ইরমদমগী ফীভম অসিদা মতেং খরতা ওইরবসু হায়দুনা ঐহাক্কী মায়কৈদগী লুপা লাখ ১গা লিশীং ৩০ থাখ্রে টাইৱান্দা মহৈ তম্লিবা ইরমদমগী মহৈরোয়শিংগা পুন্দুনা টাইৱান্দগী মাস্ক লৈরগা ইরমদমদা থানবা হায়দুনা। মরীক চুম্বা ৱারম মথং চয়োলদা থমজরক্কে। থাগৎচরি। য়াইফমিন্নরসি। ●

এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

চীং অমসুং উমংদা হৌবা উ পাম্বীনা মীওইববু কনগদবনি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

অমখক ওইবা শেম্বীবা মপু মহাক নত্তনা মালেম অসিদা লৈরিবা লেংলি-পাল্লিবা খুদিংমক অনীনা খুজিং ওইবা ঙাক্তনি। মসিদা য়ূম্ফম ওইরগা ‘থৌৱায়’ না তাইবঙ হকচাংদা তোংলবা অদু খক্তদা মীওইবা হায়বদু ওইরকপগুম ঙসিগী মালেম অসিসু চীং, তম, লমহাংদা হৌরিবা উপাল, হৈপাল, লৈপালনা মপূং ফাহল্লি। মহৌশা লাইরেম্বীগী খূৎশেমদা উপালনা চীং-তম অমদি লমহাংদা মপূং ফানা হেক হৌরিঙৈ মীওইবনা পুন্সি নুংশাংনা হিংবা ঙমগনি। ৱাফম অসি মালেম পূম্বনা য়ানরবা, খঙনরবা অমনি।

মীওইবা অহিংবশিং অমসুং চীং তমদা হৌরিবা উপালশিংগা লৈনরিবা মরীদা মীওইবনা হোল্লিবা নিংশা শ্বর অসি অশংবা উপাল, হৈপাল-লৈপালদগী ফংবনি। চীংদা হৌবা তলা পামেল উজাও-উরেলগী মরাদগী চুমথরকপা ইরিক্লা লাইজ ঈশিং ওইদুনা তুরেলদা চেন্থরক্লগা পাৎতা তুংলরিবনি। তমদা মচি-মচিদা লৈরিবা উমংদা অরিবা উজাওশিংগী মসা-মরেং, উনানা লেংলগা মালংদা য়াওরিবা ফত্তবা অকূপ্পা মহীকশিংবু চুপশিনখ্রগা অশেংবা নুংশিৎ (ওক্সিজেন) না শ্বর হোনবদা শীজিন্নদুনা হকচাং ফনা লৈবদা মতেং ওইরিবনি। নোংথক্তা পাইরিবা লৈচিলনা অৱাংবা চিংদোল, চীংমায়, নাপোম, থেন্দা হৌবা উপালশিংদা য়ৈশিল্লগা নোং ওইনা চুরক্লিবনি। মসিগী শন্নপ্পা ৱাফমসিদগী মীওইবা ঐখোয় ৱাখল লৌশিং তামিন্নগদবদি চীং অমসুং তমদা হৌবা উপালখক্তনা মীওইবিশিংবু খাংঙুথক্তা শিখিগদবদগী কনগদবনি। অশংবা পাম্বীশিং, উশিং কল্লবদি মালেম অসিসু কল্লবনি, উ কল্লবদি মালেম ইমাবু কনবগা চপ মান্নরবনি/মীওইবা ঐখোয় হিংবা অমসুং শিবগী ৱাফম ওইবনা চীং অমসুং তমদা হৌবা উপালশিং কনবগী মতম, মতাংগী মরমদা মীওইবা অমত্তনা তরায়না লৌবা লানগনি।

ঙসিগী মালেম অসি কন্নবগী ৱাফমদা মীওইবা ঐখোয়না চীংদা হৌরিবা উপালশিং অমদি উমংদা হৌরিবা উ পাম্বীশিং য়োকখৎপা য়াম্নমক মথৌ তাই। মীওইবা ঐখোয়না ৱাখল লৌশিং তাদবনা মরম ওইদুনা ঙসিমকসু উপাল-হৈপাল-লৈপালশিং য়াম্থৎপা লেপত্রি। ইনক নকপদা মতম অমদা নোং পুবা লৈচিলনা নোংমাইজিং চীংদোল খেৎনা পাইরকপদা নোং হেক্তা চুবা ঙসিদি চুখিদ্রে। মরমদি উজাও উরেল চীংদোল চীংমায়দা হৌরম্বা খুদিং মীওইবনা পাক্তক্লনা য়াম্থৎখ্রে, কোংবা তুরেলগী হৌরকফম ওইরিবা ইকোম অকোয়বদা হৌরিবা উ পাম্বীশিং ঙম্না য়াম্থৎখিবদগী ঈশিং কংশিল্লক্লে। চহী চুপ্পা ঈশিং চেল্লম্বা চীং-খোংসু কংখ্রে। চাওরবা লীরবা কৌব্রু চীংগী চীংমায়, থেল, চীংদোলদা হৌরম্বা চাউর-চাউরবা উজাও উরেল য়াম্থৎপদা নত্তনা মীওইবনা তুম্না মৈ থাদোক্লি। উশিং হৌদ্রবদা ওক্সিজেন কদায়দগী ফংলগা অহিংবা মীওইবা ঐখোয়না শ্বর করম্না হোৎনগদৌরিবা, উশিং হৌদ্রবদা করম্না নোং চুরক্কদৌরিবা, চীং-উমং, তম্পাক্তা হৌরিবা উশিং মীওইবনা তুম্না য়াম্থৎলগা অশেংবা নুংশিৎ কদায়দগী শিৎলক্কদৌরিবা, নুংশিৎ শিৎত্রবদা ঐখোয়না শ্বর মতৌ করম্না হোনগদৌরিবা, চীং চীংখোং চীংয়াদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংনা কদায়দগী ঈশিং লৌরুদুনা থক্কদৌরিবা, চীংগী উজাওশিং চীং অমসুং তমদগী য়াম্থৎপা তৌরগদি ঐখোয় মীওইবশিং করি ফীভম ওইগদগে? ৱাফম অসি চীংদা, চীংয়াদা, তম্পাক্তা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংগী মরক্তগী অমত্তনা খন্ন-নৈনবা হৌদোক্ত্রি।

মথক্তা তেন্তক্লা নৈনজখ্রিবা মালেম ইমাগী তম্পাক্তা লৈরিবা চীং অমসুং তমগী, উমংদগী উ য়াম্থৎপনা নাকোয়ননা নৎত্রগা হকথেংননা ফংবা চৈথেং মীওইবনা খঙনদুনা লৈরে। অদুবু অঙকপদি লৈবাক অসিদগী নৎত্রগা মালেমগী অতোপ্পা মফমদগীসু মীওইবা কৌবা অমত্তনা অহকপা খোল্লাউ-খোঞ্জেল লাওরকপা অমসুং তাবা ঙসি ফাওবা তাদবা অসিনি। ৱাফমশিং অসি লৈবনা চীং-তম উমংগী উশিং য়োকখৎপা খক্তনা তাইবঙ থৱায় কনগদবনি হায়বসি মীওইবা ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল লৌশিং তামিন্নদুনা ঙসিগী শুরোলনা মালেম ইমা অসিবু কনমিন্নরসি।

অদোমগী - অহন্থেম ইরাবোত মীতৈ, খুরাই থোইদিংজম লৈকায়

কৌবমরুগী তৎনফদ্রবা অমসুং মাঙফদ্রবা পুৱারী

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

অইবা পুৱারী অমসুং পুয়াগী লাতমশিং মরাং কায়না লৈবা হৌরক্লোন অমসুং লৈশেমলোন পরিং অমগী চাওখৎলোন অমগী শক্তম অমা মীতৈ অমসুং মৈতৈ লৈবাক্লা ময়েক শেংনা তাকই। নেসন অমা ওইনা হৌরক্লবগী মচাক শুনা য়াওবা নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা হৌরকখি। চীং, পাৎ, তুরেল, লম, উমংশিং পুম্নমক্কী হৌরক্লোন হায়বদি চীংগীনা চীংকোয়রোল, চীংশাংলোল, চীংসৎলোল, চীংলোল লাইহুই অসিনচিংবা অমসুং তুরেলগীনা তুতৌলোলনচিংবা কয়া ইপা ইপুনা ঐখোয়গী ইরলশিংনি খঙনবা ইশিন্দুনা থম্বীরম্মী। ফজরবা পুমশঙ শঙলবা মপান নাইদবা মহৌশাগী ফজবশিং, উমং-ৱামংগী শেন্থোক-পোথোকশিং মাঙদনবা ঙাক শেন্নবা তাকপীরম্বদু ঙসিদি শেন্নহৌদবা মীৎকুপ্তগী য়ূমদাংবনা কৈনারে, লৌ মপু য়োংনা তাল্লে, ওন্ন-তৈনবা থৌওং কয়া থোক্লরে।

লাই ময়াম্না ইহান হান্না লৈখিবা মরু ওইবা চীংনি হায়দুনা খোইয়ুম লাইয়াম খুন্দা অহানবা কৌই। কৌবমরু কৌনা লাইনিংথৌ শিদবনা শঙ্গায় য়ূম্ফমদা মঙান নাইনা পানখিবা মতমদা লাইয়াম পুম্নমক্লা মাগী মাগী খুভম য়াদুনা থৌগল মপূং ফাখিবা মাঙফদবা কৌব্রু চীংনি। চীংশাং নাপোম ১৫ পানবা, চীংমায় ৭ পানবা কৌব্রু চীংশাং পুম্নমক্তা খুরক হাংদনা লাইশিংগী খুভম লৈরিবনি। লাইগী খুভম লৈবা শেংলবা লাইনিংফম ওইরিবা লাইফমলেন ওইরিবা খুভমবু কৈদৌঙৈদসু কনামত্তনা লংজফম থোক্তে। অদুগীসু মথক্তা নৌনা খুন্দাসিল্লকপা মীতোপ মীনৌশিংনা কৌব্রু চীংগী লম খোপচিল্লকপা হায়বসি অফবগী খুদম নত্তে, মাঙনবগী মচাকনি। মরমদি মীতৈগী অরুবা লাইফমলেননি হায়বা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদনা লমলেম ওইনা উবগী, লৌশিন্নীংবগী, খোপচিন্নীংবগী মমি চাউনা তাই। মীতৈগী লাইরেম্বা লাইরেম্বীনা হাও, বামোন, মীতৈ খায়দনা কায়দোংবগী খুদম মরাং কায়না লৈ। অসুম্না লাইরেম্বা লাইরেম্বীনা মীগী খেন্নবা থমদবগুম তাইবঙ মীনসু লাইগী মরমদা খেন্নবা থমলোইদবনি। মহৌশাগী ওইবা ফজরবা লাইগী লাইফমবু থওইদবা অমসুং উশিত্তবা হায়বসি অচৌবা লংজবগী মরাল তুংশিনবা হৌরবনি। মহৌশাদগী লৈরক্লবা লাইফমলেন অসিবু ফীভম কায়হন্দনা শেংনা ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি লাইরমলেনগী লীচৎকা লোয়ননা তৌদবা য়াদবা মথৌনি। কৌব্রুগী মরমদা করিসু খঙদবা কাঙবুনা য়াম্না পুকচেল পিক্লা অহৈ-অপা শাবগী ৱায়েৎ চঙবা হায়বসিসু করাম্বা ৱানি। খঙদবদুদি তূমিন্না তাবা ফৈ। ইরমদমসিদা পুৱারী লৈতবা মীওইশিংনা পুৱারী শেম্নবা থৌরাং তৌরকপসি অচুম্বনা কক্কনি। ওইরমদবা লৈরমদবা মশক অমবু ওইরম্মী লৈরম্মী হায়না তাল্লবদি চাউনা মীনম্বনি, কল্লকপনি অমসুং ওইদবনি হায়বসি খঙগদবনি। মসিগুম্বগী মচাকশিংনা থন্না লৈবদগী ইরমদম অসিদা চান্ন-চিন্নবা, নুংশিনবা, পুনশিন্নবা অমসুং লিংজেল মান্নবা পুরকপা ঙমদবগী মরম ওইহল্লিবনি।

তাইবঙ মীবু পোকপীবা ঙম্মী অমসুং হিংহনবা ঙম্মী হায়বগী মীহিংলোল মীপোকপা কৌরিবনি। খোইয়ুম লাইয়ামশিংনা ইহান হান্না লৈবা চীংনি হায়দুনা লাইয়াম খুন্দা অহানবা হায়রিবনি। তাইবঙ থৱায় হাপ্লিবা মীরেল অচঙবা পীনবীবনি হায়বদগী ইরিক মপান থাবা নোংথৌ মউ লিংবা হায়না শৈথানরিবনি। লাই হৌরকপা মী হৌরকপা হায়বনি। মীতৈগী লাইশিংনা চীংগী মতোন্দা নিংথৌ ওইনা পান্দুনা তিনমু ফত্তবা, লাইমু ফত্তবা কয়াবু মীতৈ লৈবাক্তা চঙহন্দনা ঙাক শেল্লম্বগী লেঙদবা খুদমনি। লাতম কয়াদা য়াম্না ময়েক শেংনা ইদুনা তুংলমচৎকীদমক্তা খঙনবা থম্বীরম্মী। মীতৈগী লাইফমশিংবু ইকায় খুম্নগদবনি। খৃষ্টিয়ান চঙদ্রিঙৈদা কাঙবুশিংসি মপা মপু লাই নীংঙম্মী লোয়ননা মীতৈ লাই থাজরম্মী অমসুং ইকায় খুম্নরম্মী। অমনা অমগী লাই ইকায় খুম্নবা হায়বসি য়াম্না লৈবাক মচা তাবগী মওংনি। লাই ৱা ঙাঙদে, উদে-খঙদে, করিসু তৌবা ঙমদে হায়না খনবা তারবদি মদুমুক পঙবা অমসুং ফত্তবা লৈররোই। ফত্তবা তৌবগী তেকচাক্তি খুদক্তা ফংবসু য়াই নৎত্রগা মমৈদা পুল্লপ তেকচাক নম্বসু য়াই। অরানবা তৌবদা লাই অমত্তনা শৌগৎপা হায়বসি ওইথোক্তবনি। হে কৌবমরু, হে ঙৌবা, হে কৌবলেল অঙাংঙা, হে কৌরেংঙেং মিংখৈ মিংলেল লাইমীং শোন্না কোনশিনজরে।

অদোমগী - ডা. হাওবম ইন্দ্রকুমার

ষ্টেটকী পাউ

নৱাকোন হোমদা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): লুৱাংশংবমদা লৈবা ২০-৮০ সেভিং লুপনা লৈকায় অসিগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোক্লবা ইমুং অমদি অচানবিগৈ অমদি কোইরেঙ্গৈগী লোন্নবা মফমদা লৈবা পোইরৈ নৱাকোন হোমদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম য়াওনা চান-থক্লবা কয়া মতেং পাংখ্রে হায়রি।

তেংবাং পোৎলম খূৎশিন্নরকপা অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লদুনা পোইরৈ নৱাকোনগী প্রোপ্রাইটর সনসম চনু সুনিতানা কোভিদ-১৯গী লুরবা তানফম অসিদা ২০-৮০ সেভিং লুপকী মেম্বরশিংনা কথোকপা অমগা লোয়ননা অঙম অঙম্বা পুথোক্লদুনা তেংবাংলকপা অসি লাইবক ফৰনি।

মালেমগী মীওইবা খুন্নাইদা লান্দারক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ ঐখোয় পূন্না লাম্থেংমিন্নসি। লৈঙাক্লা মতম মতমগী ওইনা লাইচৎ অসিবু ঙাকথোক্লবা পীরিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎসি হায়খি।

মণিপুরী সাহিত্যগী অমম্বা নুমিৎ অমা ওইহৌরে: টি ৱাই এস কে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): শক্লাইরবা দোক্তর অমদি অইবা প্রো. যোদ্ধ চন্দ্র সনসমনা থা অসিগী ১৬তা ইম্ফালগী রিমস হোস্পিটালদা লৈখিদবদা তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাঙলুপ, শামুরৌ কৈথেলগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না তুংগী য়াইফনবা শেম্বা কাঙলুপ (টি ৱাই এস কে)গী প্রসিদেন্ট এল সী সুরজিৎকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ঈ এন টিগী স্পেসলিষ্ট অমা ওইনা পুন্সিগী অরোইবা মীকূপ ফাওবা মীয়ামগী সেবা তৌরম্বা অমদি জাতি অসিগী অমত্তা ঙাইরবা মহাকাব্য, মহাকবি অঙাংহলগী ‘খম্ব-থোইবী শৈরেং’বু ইংলিসতা হন্দোক্তুনা লমদমসিগী সাহিত্যগী মতিক-মগুণ মালেমদা শক তাক্লম্বা, মণিপুর ইমাগী তাংলবা মপারি অমা মাঙজরে, মণিপুরী সাহিত্যগী অমম্বা নুমিৎ অমা ওইহৌরে হায়রি।

কাঙলুপ অসিনা প্রো. যোদ্ধ চন্দ্র সনসমগা লোয়নরকপা শাংলবা চহী ১০ মুক্কী খোঙচত্তা পুৱারী ওইহৌরগদবা থৌদোক অমদি, মমাঙ থা এপ্রিল ১১দা মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা যোদ্ধ চন্দ্র মশামক শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ‘মণিপুরী সাহিত্যদা যোদ্ধ চন্দ্র সনসমগী চহী ১৬কী খোঙচৎ (২০০৫-২০২১)’’ হায়বা নোংমগী ওইবা সেমিনারগী থৌরম অসিনি। থা অমগা নুমিৎ ৫নিখক্কী মতুংদা ওজা লৈখিদবগী থৌদোক অসিনা কাঙলুপ অসিগী মফমদা ৱাহৈনা ফোঙদোকপা ঙমদবা অৱাবা অদু ওইহল্লে। ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াজবগা লোয়ননাওজা যোদ্ধ চন্দ্র সনসমগী থৱায় মীরেলনা তাইবঙ মপুগী লৈকোন্দা ঈংনা-চিক্লা লৈহনবীনবা কাঙলুপ অসিনা থৌনিজরি হায়রি।

এস টিকেন্দ্রগী মঙানি লৈহুন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস): লৈখিদ্রবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্রগী মঙানি লৈহুনগী থৌরম বি জে পি লম্লাই মন্দলনা ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কেঐচ ইবোমচাগী য়ূমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এল কামনি, ষ্টেট কাউন্সিল মেম্বর কেঐচ ইবোমচা, বি জে পি লম্লাই মন্দলগী প্রসিদেন্ট ই অমিটকুমার, দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি রামচন লুংলেন, দিষ্ট্রিক্ট মহিলা মোর্চাগী ভি পি মিস এন প্রভা, তেল্লৌ-চানা-শৈজাং জি পি মেম্বর এ জামিনি অমদি দিষ্ট্রিক্ট মহিলা মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এম নাচোমনচিংবা শরুক য়াখি। অমরোমদা নোংঙাদা মখা লৈকায় অমদি কামেং খুঞ্জাউগী কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুংশিংদা কেঐচ ইবোমচা অমদি এ জামিনিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিংগা লোয়ননা সেনিটাইজর অমদি ফেস মাস্কনচিংবা মতেং পাংখি হায়রি।

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / দশা য়েংজরি

চহীগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, ফেল ওইবা, অৱাংবা পরিক্ষা, থবক মফম সরকারগী থবক, পক্লবা করবার, শেল-থুম, শেল পুখবা, য়ূম-ইংখোল, গাড়ী নম্বর মচু, য়ূম্বাল, ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, নিশাদা লাইচুবা, হায়না-তানবা ইন্দবা, হকচাংগী অনাবা, পোৎশেম-যাদু, এক্সিদেন্ট, য়েক্লবনা মাঙনবা তৌবা, পক্লবা লক্কিষ্টোন, যন্ত্র, ঈৱাৎ-থৌনী মরমশিং অসি খূবাক ময়ি অমদি কুঠীদগী কুপ্পা য়েংজরি। য়ূমদা লাকপা খূদোংচাদবশিং Whatsapp কী খূথাংদা online দা য়েংবীবা য়াগনি। অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবা, লৈবাকপোকপা য়েংজদে। Whatsapp mobile : 9077188456

Contact : **JM Dr Ph Rajendra,** (International Astrologer)
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Near Community Hall, Imphal East

HL-P/9658/21/4-22/5

ꯉꯁꯤꯃꯛ ꯇꯥꯅꯕꯤꯌꯨ / ঙসিমক তানবীয়ু
ওজা ABDUL HAK কা

পাইলসনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঐগী হকচাংদা চিকপা-নাবা, অমাংথোঙদা চেখাইবা অমদি ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, অমাংথোঙ মপান্দা পোম্বা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নাম্থবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, পূকচেপ নাবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী শোনবা, লেংজুম নাবা, খ্বাঙ নাবা তৌরম্বা অদু ওজা কবিরাজ Abdul Hak কী মনাক্তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফজরে। মরম অসিনা ওজা Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756 পু পাউচেসিগী থোঙদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফম :-
Wangoi SBI Awang,
Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা :
S. Bimol
Konjengbam Leikai

HL-P/9659/20

ꯅꯨꯡꯁꯡ / নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্তৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইম্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইম্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।